# সাইখোম মিরাবাইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা কম্পিটিসনদা ক্লিন এন্দ জর্ককী ওইনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়বা ঙমখ্রে

টাস্কেন্ট, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুর মচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা উজবেকিস্টানগী কোনুং টাস্কেন্টতা পাঙথোকপা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা কিলোগ্রাম ৪৯গী কেটগোরিদা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা কম্পিটিসন অদুদা ক্লিন এন্দ জর্ককী ওইনা পূন্না কিলোগ্রাম ১১৯ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খ্রে।



মশাগী চহী ২৬ শুরবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৱেথলিফটর অসিনা মশাগী করিয়রগী ওইনা মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা নেসনল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা মশাগী কিলোগ্রাম ৪৯গী কাঙলুপ্তা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৮ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৫ পূন্না কিলোগ্রাম ২০৩ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মিরাবাই চনুনা মতম শাংনা কম্পিটিসন য়াওরুদ্রবা মতুং শরুক য়ারকপা অদুদা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৫গী অহানবা এটেম্পট অনী মায়পাকপা ঙমখিদে। অদুবু অহুম্লকশুবা অমদি অরোইবা এটেম্পট অদুদা কিলোগ্রাম ৮৬ থাঙ্গৎপা ঙমখি। স্নেটচকী ওইনদি মিরাবাই চনু মরিশুবা পোজিসন তাখি। চাইনাগী ঝিহুইনা কিলোগ্রাম ৯৬, অতোপ্পা চাইনাগী হুইহুৱানা কিলোগ্রাম ৮৯ অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী আইসা ৱিন্দি কান্তিকানা কিলোগ্রাম ৮৭ থাঙ্গৎখিবনি।

ক্লিন এন্দ জর্কতা মিরাবাই চনুনা হান্না ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইনা লৈরিবা কিলোগ্রাম ১১৮ অদুদগী কিলোগ্রাম ১ হেল্লগা ১১৯ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

ঙরাংগী কম্পিটিসন অদুদা করিগুম্বা মিরাবাই চনুনা মহাক্কী করিয়রগী ওইনা লৈরিবা স্নেটচকী কিলোগ্রাম ৮৮ অদু থাঙ্গৎপা ঙম্লম্লবদি গোল্ড মেদলগী তাঙ্কক অদু য়ৌবা য়ারম্বনি।

চাইনাগী হৌ ঝিহুইনা স্নেটচতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা ক্লিন এন্দ জর্ককী কিলোগ্রাম ১১৭ অদুগা পূনশিল্লগা পূন্না কিলোগ্রাম ২১৩দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা চাইনাগী ৱেথলিফটর জিয়াং হুইহুৱানা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৯ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৮ থাঙ্গৎতুনা পূন্না কিলোগ্রাম ২০৭ থাঙ্গৎলগা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা ঙরাংগী টাস্কেন্টতা পাঙথোকপা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদু থারগা টোকিও ওলিম্পিককীদমক্তা কম্পলসরি ওইনা ক্বালিফায়িং ইভেন্ট ৬ শরুক য়াবা ঙমদুনা মহাক্কী ওলিম্পিক য়াওবগী খূদোংচাবা অদু ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নেসনল কোচ ওইরিবা বিজয় শর্ম্মানা ফোঙদোরকপদা, মিরাবাই চনুনা ৱেথলিফটিংদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু মিরাবাইগী মায়কৈদগী স্নেটচতা হেন্না পূক্নিং চঙশিন্দুনা ওলিম্পিক্সতা মকোক থোংবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনবা মথৌ তারে হায়রি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী লিফটর ঝিলি দলাবেহরানা কিলোগ্রাম ৪৫গী কেটগোরিদা স্নেটচতা ৬৯ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা ৮৮ থাঙ্গৎলগা গোল্ড মেদল ফংখি।

# ৱাই দল্লিয়ু সীনা আই সী এস এবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়লগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
পুখাও অহল্লুপ্তা লৈবা গোল্ডন ষ্টার ক্লবনা শীন্দুনা পুখাও অহল্লুপ প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ৪দগী শান্নবা হৌরকখিবা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়ল য়ু-১৭ গর্লস ১১ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা আই সী এস এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নদুনা লৈখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী জর্সি নম্বর ১৩ হোইনৈ হেপনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখা তাবা মিনট ২০গী অহানবা হাফ অদু লোইশিনবা ফাওবা মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্লখিদে।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী শান্নরোয়শিংনা লাকশিনবা হেল্লকখি। ৪১শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ রেমিনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ৫৪শুবা মিনটতা মখা তানা ৱাই দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ১১ ঐচ সিঙ্কিনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং শুপ্নগী মিনট ২ লৈরগা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ এল ববিনানা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

আই সী এস এ ইরেংবমগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৪ চনশিল্লকখ্রবা মতুং মখোয়গী থৌনা হন্থখিবগুম তৌখি। মখোয়না পুশিল্লকপা এটেকশিং অদু মগুণ য়াওদবনা অয়াম্বা ওইখি। মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৬০ লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা ৱাই দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ১৭ ৱাই থোইথোইনা পাঞ্জল ১গা হাপচিন্দুনা ৫-০দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৪০ ফংখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা বেষ্ট গোলকিপ্পরগী মনা অদু ৱাই দল্লিয়ু সীগী কে মেলোদিনা ফংখি। বেষ্ট দিফেন্দরনা আই সী এস এগী আই সোনিবিয়ানা ফংখি। তোপ স্কোররদা ৱাই দল্লিয়ু সীগী লিন্দা অমসুং সিঙ্কিনা ফংখি। বেষ্ট প্লেয়রনা ৱাই দল্লিয়ু সীগী টি ঐচ রেমিনা ফংখি। অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা চুড়াচান্দপুরগী পি এল এলনা ফংখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অদু লোইশিনবগী থৌরমদা থৌবালগী দি সী এন বন্দনানা চীফ গেষ্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফেয়েরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা প্রসিদেন্ট অদুগা ককচীংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম অমসুং বি রোজিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

# টি ৱাই দি এনা এল ৱাই এল এলবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মফম অদুদা লৈরিবা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ১৫শুবা লেট এন বলানন্দ মেমোরিয়ল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি ৱাই দি এনা এল ৱাই এল এলবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক টি ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শুপ্নগী শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা টি ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ১২ দল্লিয়ু সুরজনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। মখা তানা মহাক্না শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ২ শোত্থরবা এল ৱাই এল এলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ এল মাইকেলনা পাঞ্জল ২ শোত্থখিবগী মনুংদা ১ হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু থংনবা মিনটতা টি ৱাই দি এগী কে লাঙাংলুননা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচকী অহানবা হাফ অদু টি ৱাই দি এনা এল ৱাই এল এলবু ৩-১দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এল ৱাই এল এগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরত্তুনা পাঞ্জল চন্নবা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা এল ৱাই এল এলগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ এন য়োহেনবনা পাঞ্জল ১ হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী হেক মতুং মিনট ১ ফাদ্রিঙৈদা টি ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ২০ কে রোহিটনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ঙসিগী মেটচ অদু মখোয়না এল ৱাই এল এলবু পাঞ্জল ৪-২দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# এপ্রিল ১৯দগী হৌগদবা টুর্নামেন্ট ২১দা য়েথোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা অহুমশুবা ৱাহেংবম ইবোতোন মেমোরিয়ল সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ থা অসিগী ১৯দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদা খূদোংচাদবা খরা লৈবদগী এপ্রিল ২১দগী হৌরগনি হায়না অম্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা শেমদোক্লবা ফিক্সর অদু খঙহল্লক্লগনি হায়রি।

# থাঙ-তা মশান্না ষ্টেট অসিগী কান্নবা ওইরগনি : মিনিষ্টর রাজেন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাক্লংদা লৈবা কংলৈ থাঙ-তা শিন্দম শঙনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকপা ২৬শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুবা থাঙ-তা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, থাঙ-তা মশান্না অসি মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি য়াম্না কান্নবা ওইরগনি হায়খ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা, মণিপুর ষ্টেট অসি ইন্দিয়াগী ওইনা স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি। ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমখ্রে। এম সী মেরি কোমগী মমিং পনবা য়াই। মহাক্তা নৎতনা মশীং য়াম্লবা মণিপুরগী শান্নরোয় কয়ানা নেসনল এৱার্দ কয়াসু ফংবা ঙমখ্রবনি। থাঙ-তা মশান্না অসি মণিপুরদা মপূং ফানা শান্নরক্লবা মতুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না রিকগ্নাইজ তৌরবা ইনিদজিনিয়স স্পোর্টস অমনি হায়না লাউথোকখিবদগী অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদগী মশান্না অসিবু পাম্না শান্নরক্লি।

# অহানবা মেটচতা এম কে এস এস এ অমসুং এল এ এল ৱাই সী দ্রো চংখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে। অহৌবা মেটচতা এম কে এস এস এ অমসুং এল এ এল ৱাই সী দ্রো চংখ্রে।



ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাংজিংগ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান তেকচম ওংবী সুমিলানা চীফ গেষ্ট ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম মনিনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সী ঐচ ইবোয়াই, এল শ্যামো অমসুং কে মাইকেলনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী পুংখায় হেঞ্জিল্লক্লবা মতম ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মিনট ৪০/৪০না হাফ ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা হাফকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা এম কে এস এস এগী জর্সি নম্বর ১৬ দোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

২শুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা এল এ এল ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি মিরাজ অলমনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মেটচ অদু মখা তানা পাঞ্জল মান্নরকপদগী টিম অনীগী শান্নরোয়শিং অমুক হন্না লম্বা তৌনবা হৌরকখি।

মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা টিম এম কে এস এস এগী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ৭ এম প্রিসিদাসনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এল এ এল ৱাই সীবু ২-১দা মাঙজিল থাখি। অদুবু শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা হোৎনবা লেপখিদবা এল এ এল ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৬ এম দি অরিফ শাহনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা দ্রো চংখি।

# লেট কেরানি মেমোরিয়ল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লোইশিল্লগনি

মোইরাং, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চত্থরকপা অনীশুবা লেট এল কেরানি মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২২দা লোইশিল্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ অদুগী পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এস ৱাই সী সগাং অমদি এ কে এস এ ক্বাক্তাগী টিম অনীনা ফুটবোল লীগ অসিগী অরোইবা মেটচ অদু শান্নরগনি। মরম অদুনা এস ৱাই সী সগাং অমদি এ কে এস এ ক্বাক্তাগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংনা মেটচ অদু শান্নবা মতমদা লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না লাক্কদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংগী মায়কৈদগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

# জুনিয়র মাষ্টর টাইটল ফংলক্লবা চীঙ্খৈঙানবা অথোকপমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




থৌবাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডর্স ফেদরেসন (আই বি বি এফ)না শীন্দুনা মমাং থাগী ২০ অমসুং ২১দা পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মেন্স জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসন ২০২১গী কিলোগ্রাম ৭০গী কাঙলুপ্তা জুনিয়র মাষ্টরগী টাইটল ফংলক্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অথোকপমদগী চীঙ্খৈঙানবা অথোকপমবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

ফুরা কৈথেল দিভলপমেন্ট কম্মিটি থৌবাল অথোকপমনা শীন্দুনা ফুরা কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা চীঙ্খৈঙানবা অথোকপমবু ওকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা খাঙবোক এসেম্বলি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, দ্রগকী মকোল অমা ওইরিবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল হায়না খঙনরিবা অসি ঙসিদি মণিপুরদা হোংলক্লব্রা হায়বগী মিপাইবা ফাওনরক্লবা মতম অমনি। মতম অসিদা চীঙ্খৈঙানবনা লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনলগী থাক্তা বোদি বিল্ডিংগী টাইটল অমা পুরগা লাকপা অসি মণিপুরগী অমদি খাঙবোক কন্সটিটুয়েন্সিগী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

ঐখোয়গী তুংগী যূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহরোলশিংবু মশা-মঙ ফবা তিঞ্জং-কায়জংদবা ময়াই কাবা চীঞাক্তগী লাপ্না থম্মিন্নসি। মসিদা লমদম অসিগী অহল-লমনশিংসু খূৎ পায়দুনা তাকপীয়ু হায়বা ৱাফমশিং এম এল এ ওক্রম সুরজকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এম পি এস সীগী এল বিক্রমনা নুপাগী অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঈ থোমাসনা য়ুঠ বোইজকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):
শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা দি য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী গোল্ডন জুবিলী সেলেব্রেসন তৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেট লাইময়ুম বিহারি মেমোরিয়ল টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি লোইশিনখিবা নুমীৎতা নুপাগী সিঙ্গলসতা এম পি এস সীগী এল বিক্রম অমসুং য়ুঠ বোইজকী সিঙ্গলসতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঈ থোমাসনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।




দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসন ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা ভৈগ্যবতি লৈকাইগী কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ১৫দগী চত্থরকপা ষ্টেট লেভেল টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙসি এম পি এস সীগী এল বিক্রম অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই সুভাশচন্দ্রনা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম বিক্রমনা ১২-১০দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুসু মহাক্না ১১-৭তা থোইবা ঙমখি। বেষ্ট ওফ সভেন গেম অদুগী অহুমশুবা গেম অদুসু এল বিক্রমনা ১১-৮দা থোইরবা মতুং মরিশুবা গেম অদুসু মহাক্না ১১-৫দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

য়ুঠ বোইজকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঈ থোমাস অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এন সিদার্থ লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম ঈ থোমাসনা ১৫-১৩দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদু এন সিদার্থনা ১১-৮দা থোইদুনা ১-১দা মান্নখি। অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গেম অদুসু ঈ থোমাসনা ১১-৭, ১১-৯দা থোইদুনা ৩-১দা মাঙজিল থারিঙৈদা এন সিদার্থনা মঙাশুবা গেম অদু ১১-৮দা থোইবা ঙমখি। অদুবু ৬শুবা গেমদা ঈ থোমাসনা ১১-৮দা থোইদুনা য়ুঠ বোইজকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

থৌবালগী লৈতানথেম লমজিংবনা কেদেট বোইজ অমসুং সব-জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী টাইটল অনীমক লৌবা ঙমখি। লোয়ননা জুনিয়র গর্লসদা ইম্ফাল ইষ্টকী হিদম লিয়া চনু অমদি জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ নেলসননা লৌখি। কেদেট অমসুং জুনিয়রগী থাক্তা টাইটল লৌবশিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩ অদুগা রন্নর্স অপনা লুপা ১,৫০০ ফংখি। জুনিয়রগী থাক্তনা চেম্পিয়ননা লিশিং ৪ অদুগা রন্নর্সনা লিশিং ২, লোয়ননা য়ুঠ অমসুং সিনিয়রগী চেম্পিয়নদা লুপা লিশিং ৫ অদুগা রন্নর্সনা লুপা লিশিং ৩ ফংখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতা, এম গোজেন্দ্র, টি ঐচ জয়ন্ত, এন প্রিয়োব্রতা, কে ঐচ রতননা চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। টি ঐচ প্রমেশ্বরনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN / FOUNDATION COURSE (2021/22)
CLASS X & XII
(Science,Arts,Commerce )
BOSEM / COHSEM & CBSE
General Foundation cource
SSC,BANK PO,NDA,CDS,SBI,IBP,
other compititive exam,NEET, JEE
Subject All duration 5 & 6 months - Available van & hostel (Morning & Evening)
Start on 21 April & 10 May 2021 ## 7830999192 / 03857966211
HL-P/6727/9.11

EMPLOYMENT NEWS
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490
HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com